## নুমিৎ ১৪নি থিংখ্রে

রিয়াদ, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়াদা মখা তানা নোভেল কোরোনাভাইরস শন্দোকপা থিংনবগীদমক্তা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং, বসশিং, টেক্সিশিং অমসুং ট্রেনশিং নুমিৎ ১৪ নি লেপহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।
থাংজ নুমিত্তগী চৎনবা হৌগদৌরিবা অনৌবা থৌরাং অসিনা অৱা-অনা তারবশিংগী মতেং পীবা অমসুং অনা-লায়েংগীদমক্তা মী হোল্লিবা ফ্লাইটশিংদি কোল্লোই হায়রি।

## বৈজিংদগী থৈদোকখ্রে

বৈজিং, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
চাইনাগী কেপিটেল সিটি বৈজিংদা মপান্দগী চঙলকপা কোরোনাভাইরস কেস মশিং রেকোর্দ ওইনা হেনগৎলকপদগী লৈবাক অসিনা ইরাই নুমিত্তা বৈজিংদা পাইরকপা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট খুদিংমক থৈদোকপা হৌখ্রে। সিভিলএভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ক্বারন্টাইন অমসুং সিভিল এভিয়েসন লোদা য়ুম্ফম ওইরগা মোস্কো, পেরিস, টোকিয়ো অমসুং টোরোন্টোদগী বৈজিংদা পাইরকপা ফ্লাইটশিং এন্ট্রিগী ফর্ষ্ট পোইন্টশিংদা তাহল্লগনি।

# সাউথ কোরিয়ানা চাইনা অমসুং জপানগা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পীনবগী ৱাফম খন্নখ্রে



সিওল, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
সাউথ কোরিয়ানা চাইনা অমসুং জপানদা মপান্দগী কোরোনাভাইরস পল্লবা মীওইশিং চঙলকপগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অহুম অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থেংনবদা অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমদি তাথোক-তাশিন তৌনবগী ৱাফম ইরাই নুমিত্তা ভিদিও কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।
হৌখিবা দিসেম্বরদা চাইনাদগী লাইচৎ অসি হৌখিবা ওইরবসু তাঙ্কক অমদা সাউথ কোরিয়ানা অনীশুবা খ্বাইদগী হেন্না ইনফেক্সন মশিং য়াম্বা লৈবাক ওইখি। মমৈথংদা লৈবাক অনীমক ভাইরস অসিগী দোমেষ্টিক ট্রান্সমিসন মায় পাক্লা লাকশিনবা ঙমখি।
জপানদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরক্লবসু টোকিয়োনা খ্বাইদগী ৱারিবা ৱাফমদি লৈবাক অসিনা থৌবু ওইদুনা সম্মর ওলিম্পিক কায়দনা পাঙথোকখিগদৌরিব্রা হায়বসিনি।
সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না ভিদিও কনফরেন্স অদুদা জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টরদা চাইনা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা জপানদা ওলিম্পিক পাঙথোকপগী ৱাফম শৌগৎখি।
পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেগী মতুং ইন্না জপানদা লৈবাক মনুংদা শন্দোকপা কোরোনাভাইরস কেস ৯৬৩ য়ৌবগা লোয়নননা ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশিংনা ৩৪ নি। হায়রিবা মশিং অসিদা হৌখিবা থাদা টোকিয়ো সিটিগী মনাক্তা খামদুনা লৈখিবা ক্রুজ জহাজ অমদা দিটেক্ট তৌখিবা অহেনবা কেস ৭০০ অমদি শিখিবা মীওই ৭তি য়াওখিদে।
মিনিষ্টরশিংনা ভিদিও কনফরেন্স অদুদা মখোয়-মখোয়গী লৈবাকশিংদা শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎকী মরমদা অমগা অমগা ইনফোর্মেসন সিয়র তৌনখি। সাউথ কোরিয়ান গভর্নমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুরোপ্তুগী লাকপা খুদিংমক কোরোনাভাইরস চেক তৌরগনি অমসুং মতম শাংনা লৈগদবশিং নোংমাইজিং নুমিত্তগী ক্বারন্টাইন তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা অফখান গভর্নমেন্টনা টালিবানগা সীজফায়র পুরকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে



কাবুল, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা অমদি অফঘানিষ্টানগী মীয়ামদা ফংফম থোকপা সর্ভিসশিং ফংহন্নবগীদমক্তা অফঘান গভর্নমেন্টনা টালিবানগা লৈবাক শীন-থুংনা সীজফায়র চৎনহনবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।
মালেম শীন-থুংলবা শাথিরবা লায়না লাইচৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা অফঘানিষ্টানদা মীওই ২২ ভাইরস পোজিটিভ ওইবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা মখল খুদিংমক্কী সোসল পোলিটিকেল থৌরমশিং থিংখ্রবনি।
খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্লিবা লায়না-লাইচৎ অসিবু থিংনবগীদমক্তা ঐখোয়গী মায়কৈদগী হৌদোক্লিবা অমদি তকশিল্লিবা ৱাফমদি লৈবাক অসিবু শীন-থুংনা সীজফায়র চৎনহনবনি। অসুম তৌরবদি লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা ঐখোয়না মীয়ামদা মতেং পাংদুনা লায়না অসিগী লায়েং পীবা অমদি চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎহনবা ঙমগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর অসাদ দুলাহ খালিদনা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোঙদোকখি।

# ইটালিদা শিবা মী মশিংনা চাইনাদা শিবা মশিংদগী হেল্লে



মিলান, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
মেনলেন্দ চাইনাদগী হৌখিবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী লাইচৎকী অনৌবা ইপিসেন্টর ওইরক্লিবা য়ুরোপ্তা লায়না লাইচৎ অসিগী কেস মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা ইটালিদা লায়না অসিনা শিহল্লিবা মী মশিংনা চাইনাদা শিবা মশিংদগী হেনখ্রে।
মালেমগী ওইনা ইনফেক্সন মশিং ২৪২,০০০ হেনখিবগা লোয়নননা শিখিবা মীশিংনা ১০,০০০ রোম য়ৌখিবদগী লায়না-লাইচৎ অসিদা মালেম পুম্বনা চঙক্লদুনা লৈনরি। অখণ্ড-অহে কয়ানা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও, কুমজা ২০০৮ কী শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমদি কুমজা ১৯১৮ গী স্পেনিস ফ্লুগী অৱাবগী মশক ওইরবা মতমশিং অদুগা চাংদম্নরক্লি। য়ু এন চীফ এন্টোনিও গুটরেসনা রেকোর্দ ওইগদবা দাইমেন্সন্দা গ্লোবেল রিসেসন অমা লাকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।
হৌজিক মালেমগী মাঙজিন থারিবা ইকনমিশিংনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা মহয় য়ানগদবা অনৌবা পোলিসি এক্সনশিং পায়খৎপগী মতম ওইরে। ঐখোয় হৌজিক মমাংদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা ফিভম অমদা লৈরে অমসুং মহৌশাগী রুলশিং হৌজিক মখা তানা এপ্লাই তৌবা য়াররোই হায়না গুটরেসনা ভিদিও কনফরেন্স অমগী খুত্থাংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অমেরিকানশিংদা মপান্দা শুংচৎ চত্তনবা খঙহনবগা লোয়নননা ইরাই নুমিত্তা য়ু এস-মেক্সিকান বোর্দরদা অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোরক্লবা য়াই। অনৌবা খোঙথাংশিং অদু য়ু এস-কনাদা বোর্দরদা নন-ইসেন্সিয়ল ট্রাফিক লেপহনখিবগা মান্নবা য়াই হায়রি।
হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা মেনলেন্দ চাইনাদগী শন্দোকপা হৌখিবনি হায়না থাজনরিবা ভাইরস অসি অতৈ লৈবাক অমসুং টেরিটরি ১৭২ দা শন্দোকখিবগা লোয়নননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুংতিগী থোকপদা রেকোর্দ ওইনা অনৌবা কেস ২০,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌখ্রে। জর্মনি, ইরান অমসুং স্পেনদা কোরোনাভাইরসকী কেস লৈবাক অমমমদা ১২,০০০ হেনখ্রে। টেহরানদা ওফিসল অমনা মিনিট ১০ খুদিংগী কোরোনাভাইরসনা মী অমমম হাৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

# কালিফোর্নিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৪০ য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা ওর্দর তৌখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
কালিফোর্নিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৪০ রোম ময়ুম-ময়ুমদগী হেদোক্লদনা লৈনবা ষ্টেট অসিগী গভর্নর গভিন ন্যুসোমনা ষ্টে-এট-হোম এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা ইশ্যু তৌখ্রে। ওর্দর অসি ইশ্যু তৌখিবগা লোয়নননা নন-ইসেন্সিয়ল বিজিনেসশিং থোঙ লোন্নরগনি। ষ্টেট অসিনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থেংননবগীদমক্তা থৌরাং অসি লৌখৎলিবনি।
য়ু এসকী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট অসিদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস ১,০০০ শুখিবগা লোয়নননা শাথিরবা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী মশিং ১৯ শুখ্রবা মতুংদা শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা ষ্টেট অসিগী গভর্নরনা ওর্দর অসি থোকখিবনি হায়না ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।
হৌজিক লাক্লিবা ফিভম অসিদা ষ্টেট অসিগী মীওই খুদিংমক্কা তঙাইফদনা তৌফম থোকপশিং তৌদবা য়াদবগী তাঙ্কক অমা থেংনরি হায়না পল্লদুনা গভর্নরনা হায়খি মদুদি, কালিফোর্নিয়াগী মীয়াম্না য়াম্না মরু ওইবা ফেদেরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর সেক্তরশিংগী ওপরেসনশিং লেপ্তুনবা পায়খৎপা থবকশিং খক নত্তনা য়ুমদগী হেন্দোক্লদনা লৈগদবনি। অথিংবা মরক্তা মখা তানা হাংদুনা লৈগদৌরিবা ইসেন্সিয়ল সর্ভিসশিংগী মনুংদা পেট্রোল ষ্টেসনশিং, ফার্মাসিশিং, গ্রোসরিশিং, দেলিবরি রেষ্টোরেন্টশিং অমসুং বেঙ্কশিং য়াওরি।
মীয়াম তিনগদবা মীফম নৎত্রগা থৌরমশিং লেপ্পগা লোয়নননা বারশিং, নাইটক্লবশিং, হরাও-কুম্মৈ মফমশিং, জিমশিং অমসুং কনভেন্সন সেন্টরশিং থিংগনি।
শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা সক্রামেন্টোদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা গভর্নরনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট অসিবু লায়না-লাইচৎকী ইনফেক্সনশিং মায়োক্লহনবগী মহুত্তা মহাক্লা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ অসিদগী কন্নবগীদমক্তা অকনবা খোঙথাংশিং ঙাকহনবনা হেন্না পাম্মী। লাক্লিবা থা খরা অসিদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমদি ভাইরস অসিনা শোকহল্লগনি হায়না গভর্নরনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা ওর্দর অসি থোক্লবগী ৱারেপ লৌখিবনি।



# কেম্প দেভিদতা পাঙথোক্কদবা জি ৭ মীফম ট্রম্পনা কেন্সেল তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
লাক্লিবা জুনদা কেম্প দেভিদতা পুন্দুনা জি ৭ কী লিদরশিংগী মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কেন্সেল তৌরগনি অমসুং মফম অদুদা মীফম পাঙথোকপগী মহুত্তা ভিদিও-কনফরেন্স অমা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না হ্বাইটস হাউসনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লেপহন্নবা মালেমগী লৈবাকশিংনা বোর্দরশিং থিংনবা অমদি লম চৎথোক-চৎশিন থিংনবা ৱারেপ লৌনখ্রবা মতুং ট্রম্পনা কেম্প দেভিদকী মীফম কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। ট্রম্পনা মালেমগী মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রিগী লমদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ভিদিও কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মেরিলেন্দদা লৈরিবা প্রসিদেন্সিয়ল রিট্রিটতা পুন্দুনা মীফম পাঙথোকফম থোকপদা মখা তানা ভিদিও কনফরেন্স ওইনা এপ্রিল, মে অমসুং জুনদা হঞ্জিন্না পাঙথোক্লগনি।
ট্রম্পগী জি ৭ সর্পানি হায়নরিবা হ্বাইট হাউসকী ইকনমিক এদভাইরিবা লেরি কুদলোনা থৌরাং অসিগী মতাংদা মহাক্কী লেংমান্নবশিংদা খঙহনখ্রে। লৈবাক খুদিংমক্লা মখোয়গী রিসোর্স পুম্নমক কোভিদ-১৯না পীরিবা হেল্থ এন্দ ইকনমিক চেলেঞ্জশিং থেংনবদা শীজিন্নজনবগীদমক্তা নেসনল ইকনমিক কাউন্সিলগী দিরেক্টর অমসুং কুমজা ২০২০ জি ৭ গী য়ু এস সর্পা লেরিদ কুদলোনা মহাক্কী সর্পা কোলিগশিংদা জুনদা য়ু এসনা থৌবু ওইদুনা কেম্প দেভিদতা পাঙথোক্লবা লেপ্নখিবা জি ৭ লিদরশিংগী সম্মিট হৌজিক ভিদিও-টেলি কনফরেন্স ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না খহনখি।
হ্বাইটহাউসকী স্পোক্সমেন জুদ দেরিনা ৱাফম অসি এজেন্সিশিংদা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা খঙহনখি। মীফম অদুগী মতাংদা হোংলক্লিবা ফিভম অসি হ্বাইট হাউসনা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং ওইগদবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। মহৌশানা মীফম অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিংনা অচৌবা দেলিগেসনশিং থানদুনা অমদি মালেমগী জর্নেলিষ্টশিংনা শরুক য়ানদুনা লাক্লিবনি।

# নেপালগী হোটেলশিং কোভিদ-১৯গী ফিভম ফরক্ত্রিফাওবা থিংজিনখ্রে

কথমন্দু, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
শাথিরবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ মরক্তা বিজিনেস কা হেন্না হন্থরকপনা মরম ওইদুনা নেপালদা লৈরিবা হোটেলশিং লায়না-লাইচৎ অসিগী ফরক্ত্রিবা ফাওবা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।
কথমন্দুদা লৈবা ফাইভ-ষ্টার হোটেল অমা ওইরিবা হ্যাট রিজেন্সিনা থাংজ নুমিত্তগী হোটেল অসিগী বিজিনেস পুম্বা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়নননা রেদিসন অমসুং মারিওটকুম্বা অতৈ ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংসু মান্নবা খোঙথাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না শগোলশেল নুমিত্তা হিমালয়ন টাইমসকী রিপোর্টনা হায়খি।
মার্চ ২১ দগী হৌনা ঐখোয়না য়ামদ্রবদা চয়োল ৬ হোটেল থিংনবা ৱারেপ লৌরে। হোটেলগী বিজিনেস হন্থরকপগী ৱাফমদা নত্তনা ৱারেপ অসি ঐখোয়গী ষ্টাফ অমসুং গেষ্টশিংগী মরক্তা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংহৌনগী পান্দমদসু লৌরিবনি হায়না হ্যাট রিজেন্সিগী পি আর মেনেজর গোবিন্দ পরিয়ানা ফোঙদোকখি।
পরিয়াগী মতুং ইন্না কেসিনো য়াওনা হোটেল সর্ভিস পুম্বা মখা তানা নোটিস অমা থোক্ত্রিফাওবা লেপকনি। ইন্টরনেসনল হোটেল চেন অমা ওইরিবা ঐখোয় সেক্তর অসিদা হৌজিক চৎনরিবা ইন্টরনেসনল প্রক্টিসশিং ইনফম থোকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।
হোটেল অসিনা ইমপ্লোয়ী ৩৫০বুসু ছুটি পুথোকখ্রে হায়রি।
চৈরকসিদা হোটেল এসোসিএসন নেপালগী প্রসিদেন্ট সরিজানা রানানা হায়খ্রে মদুদি, ফোরেন টুরিষ্টশিং চঙলকপা লেপখিবদগী সেক্তর অসি হৌজিক মপুং ফানা ফেল ওইরে। অদুমওইনমক বিজিনেস ওপরেট তৌবা নৎত্রগা থিংবগী ৱারেপতি প্রমোটরশিংগী মখা পোল্লি হায়না হোটেল অনাপুরনাগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্তরসু ওইরিবা রানানা ফোঙদোকখি। নেপাল গভর্নমেন্টনা থা অসিগী অঙনবদা ওন-এরাইভেল টুরিষ্ট ভিজাশিং ইশ্যু তৌবা লেপখিবগা লোয়নননা কালেন চঙলকপগী মাউন্টেনিয়রিং এক্সপিদিসন পুম্নমক লেপহনখ্রবনি।



# অনৌবা ইমর্জেন্সি ভেন্টিলেটর প্রোটোটাইপ এপ্রুভ তৌরগনি



লন্দন, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ থেংননবা এঞ্জিনিয়রিং কম্পনিশিংনা পুথোরকখিবা ইমর্জেন্সি ভেন্টিলেটর প্রোটোটাইপ অমা হোস্পিটালশিংনা শীজিন্নবগীদমক মথং চয়োল লোইবা ফাওবগী মনুংদা এপ্রুভ তৌবা য়াই হায়না বৃটেন্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ না মীওই ১৪৪ শিহনখ্রবা বৃটেন্দা ভাইরস চঙলবা মতুংদা কমপ্লিকেসন কয়া লাক্লবা মীওইশিংগী পুন্সি কনবা ঙন্নিবা ভেন্টিলেটরশিং ৱাৎপকী প্রোব্লেম অমা লৈরিবনি। য়ু কেগী হৌজিক লৈরিবা ভেন্টিলেটর ৫০০০-৮০০০ রোমগী ষ্টোক অসি মতিক চাদে হায়না লৌনৈ।
মীওই মিলিয়ন ৬৭ লৈরিবা লৈবাক অমদা অসুম্না মীগী থৱায় কনবদা চঙগদবা পোৎশক অমা কা হেন্না ৱাৎনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা বৃটিশ গভর্নমেন্টনা মকোক থোংবা এঞ্জিনিয়রিং কম্পনিশিংদা ভেন্টিলেটরশিং পুথোকপগী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নবা খঙহনখি।
কম্পনি কয়ানা প্রোটোটাইপ অমমম পুথোক্লদুনা ঐখোয়দা ক্বালিটি চেক তৌনবা হায়রক্লে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর মার্ক হেনকোকনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী অনৌবা ভেন্টিলেটরশিং অদু হোস্পিটালশিংনা শীজিন্নবা য়ানবা মথং চয়োল লোইবা ফাওবগী মনুংদা এপ্রুভ তৌরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।
মেন্যুফেকচরিংগী ফিভমগী মরমদা মুন্না খঙলবা সোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি মদুদি, প্রোটোটাইপ অদু মথংগী চয়োলদা ফংহনবগা লোয়নননা মশিং য়াম্না শাবগী থবক চয়োল ৪ গী মনুংদা হৌরগনি। ভেন্টিলেটরশিং থুনা শান্নবগীদমক এরোস্পেস এঞ্জিনিয়র মেগগিট অমসুং কার মেকরশিং মেকলারেন অমসুং নিসান্না লুচিংদুনা বৃটিশ কম্পিনিশিংনা টিম অমা শেমখিবনি।

# য়ু এসনা ইরানদা কোরোনাভাইরসনা অথিংবশিংদগী কল্লোই হায়খ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২০ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চয়োল অসিদা ইরানদা অকনবা মেসেজ অমা পীরদুনা লৈবাক অসিবু কোরোনাভাইরসনা থাউগী রেভিন্যুশিং থিংজিনবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী ইকনমি অপুম্বা মালেমদগী নাইতোম লৈহল্লিবা য়ু এসকী অথিংবশিংদগী কনবা ঙল্লোই হায়না খঙহনখ্রে।
মিদল ইষ্টতা কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শাথিনা শোকহনবা লৈবাক ওইরিবা ইরানদা ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশিং ১,২৮৪ য়ৌখিবগা লোয়নননা মিনিট ১০ খুদিংগী মীওই অমমম শি অমসুং পুং খুদিংগী মীওই ৫০ ইনফেক্ট তৌই হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।
ইরানগী ন্যুক্লিয়র, মিসাইল অমসুং রিজনেল এক্তিভিটিজশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা খ্বাইদগী কনবা প্রেসর পীনবগী কেম্প্যেন অমা চত্থরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চয়োল অসিদা টেহরানগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোকখি।
ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতা বেজ তৌবা কম্পনি ৫ মেনলেন্দ চাইনাদা লৈবা কম্পনি ৩, হোং কোংগী কম্পনি ৩ অমসুং সাউথ অফ্রিকাদা লৈবা কম্পনি ১ ইরানগী পেট্রোকেমিকেলশিং লল্লোনবগীদমক্তা ব্লেক লিষ্ট তৌখি।
ৱাশিংটন্না ইরানদা প্রেসর পীবা হেনগৎলক্লিবসি মীওইবা কাঙলুপকী মায়োক্তা চৎথবা ক্রাইম অমনি। লায়না অসিবু লাকশিন্নবা মালেম পুম্বনা অমগা অমগা মতেং পাংনগদবনি হায়না ইরানিয়ন ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।
ইরান অসি লায়না-লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টর অমা ওইনা শেল-থুমগী অরুবা ফিভম অমা মায়োক্লদুনা লৈরবসু লৈবাক অসিগী মায়োক্তা য়ু এসনা থল্লিবা অথিংবশিংদি কোমথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না সেন্টর ফোর এ ন্যু অমেরিকান সিক্যুরিটি থিঙ্ক টেঙ্ককী এলিজাভেঠ রোজনবর্গনা ফোঙদোকখি।

